# ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না কলম্বিয়া থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে




**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):** ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথ্বরকখিবা ১৫ রক শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেশনল ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না কলম্বিয়া থোইরগা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশননা শীন্দুনা চথ্বরক্লিবা পোলো ইন্টরনেশনল ২০২৫গী ফাইনেলদা ঙসি ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) অমসুং কলম্বিয়া লম্বা তৌনখিবা অদুদা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না পাঞ্জল ৮-৫দা মায়থীবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। ফাইনেল মেটচ অদুদা পুন্না চকর ৪ শান্নখিবগী মনুংদা অনীশুবা চকর লোইবা ফাওবদা ইন্দিয়া-বি (মণিপুরনা কলম্বিয়াদগী পাঞ্জল ৫-১দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মখা তাবা লেমহৌরিবা চকর অনী শান্নবদা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না অহেনবা পাঞ্জল অহুমসু চনবা ঙমখি। কলম্বিয়াগী ওইনসু লেমহৌরিবা চকর অনীদা পুন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। চকল মরি লোয়বা ফাওবদা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না কলম্বিয়াবু পুন্না পাঞ্জল ৮-৫দা থোইদ্দুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখিবনি।

থা অসিগী ২৭তা শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন লিগকী ১০ শুবা অমদি অরোইবা লিগ মেটচতা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)না য়ু এস এবু পাঞ্জল ৭-৪দা মায়থীবা পীরগা রাউন্দ রোবিন লিগ ফোর্মেটকী ৱিন্নর অদুগা কলম্বিয়ানা লিগকী রন্নর তারগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মণিপুর পোলো ইন্টরনেশনল ২০২৫দা মপাল লৈবাক য়ু এস এ অমসুং কলম্বিয়াগী টিম য়াওনা ইন্দিয়া-এ (আই পি এ), ইন্দিয়া-বি (মণিপুর) অমদি ইন্দিয়া-সী (ছটিসগর)না শরুক য়াখি।

ঙসি টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্নর অজয় কুমার ভল্লা, মণিপুর হোর্স রাইদিং এসোসিএশনগী ওনররি প্রসিদেন্ট ঐচ দিলিপ অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি আ কে দিনেসসু শরুক য়াখি।

১৫ রক শুবা মণিপুর ইন্টরনেশনল ২০২৫দা ৱিন্নর ওইখ্রবা ইন্দিয়া-বি (মণিপুর)দা মেদল, সার্টিফিকেট, কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লাখ ২গা লোয়নননা রোল্লিং ট্রোফি খুৎশীন্নখি। অদুগা রন্নর অপ তাহৌখিবা কলম্বিয়াগী টিমদসু মেদল, সার্টিফিকেট, কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লাখ অমা মখায়গা লোয়নননা রোল্লিং ট্রোফিসু খুৎশীন্নখি।

# ইন্টরনেশনল রেফরি টি রোমিও খল্লক্লে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):** ভোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্দ (এস এস সী বি)না শীন্দুনা মথং থাগী ১দগী হৌরগা ৫ ফাওবা সিকন্দরবাদকী ঈ এম ঈ সেন্টরদা চথ্বগদৌরিবা ৭৫ রক শুবা ইন্টর সার্ভিসেস ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫-২৬তা রেফরি ওইনবগীদমক মণিপুরদগী ইন্টরনেশনল রেফরি টি রোমিও খল্লক্লে।

হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগীদমক্তা অতোপ্পা রেফরি ওইনা ছটিসগরদগী ইন্টরনেশনল রেফরি মুহম্মদ গোস বাইগপুসু খল্লকখ্রে। রেফরিশিং অসিনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা চথোক চৎশিন তৌবদা চঙগদবা শেনফমশিং ভোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী চৎনা কাঙলোনগী মতুংইন্না এস এস সী বিনা পুথোক্কদবনি অদুগা নোংমগী এল্লাৱেন্সনা লুপা ১৮০০ ওইগনি অমদি হায়রিবা শেনফম অদু নোংমা ৱাৎলিঙৈদা খুৎশীন্নগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা খঙনিংলবসু রেফরি অনীনা ভোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াদা পাউ ফাউরকপা য়াগনি হায়রি।

# নুমিৎ নীনি চথ্বরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস মীট লোইশিনখ্রে

**ককচিং খুনৌ, নবেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস):** মেরা য়ুব ভারত ককচিং (মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া)না ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএশন (অকসা)গা খুৎশম্নদুনা ঙরাংদগী হৌদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথ্বরকখিবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস মীট ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়নননা য়ুম্বু অকসানা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ককচিং খুনৌদা লৈবা চোনোখোম লম্পাক্তা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল স্পোর্টস মীট ঙরাং হৌদোকপগী থৌরমদা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ক্যেরটেকর চ্যেরপার্সন খুমুকচম লৈমনা অথোয়বা মীথুংলেন, ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট খুমুকচম সমজাইনা তৌরম মপু অদুগা এস দি সী ৱাইখোং য়েঙ্খোম জিবননা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।




থৌরম অদুদা থবক্তগী পোত্থারবা এক্সাইজগী ইন্সপেক্টর অমসুং ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএশনগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা টি ঐচ অঙৌবা, ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী হান্না রেফরি ইন্সট্রক্টর ওইরম্বা জাদব চন্দ্র হাওবম অমসুং দল্লিয়ু পাওলিনা মোন্সাংনা অখন্নবা লেংবীরকপশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী শান্নখিবা ফুটবোল মেটচ অমদা ওল ককচিং খুনৌ স্পোর্টস এসোসিএশননা লাংমৈদোং মমাঙ লৈকায় সীটিজন্স ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। টিম অনীমক্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। মেটচ অদুগী ৪০ শুবা মিনটতা অকসাগী শান্নরোয় সোভামনিনা অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি। অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা এল এম এল সী সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনরকখিবগা লোয়নননা ৫০ শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় সিটলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। মেটচ অদুগী ৫৫ শুবা মিনটতা অকসাগী ভিক্টরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-১দা মায় পাকখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1664**

**IM Amirreza Pour Agha Bala (2465) - Ali Firas Qassim (2016)**
**18th Avicenna Open 2025 Hamedan IRI, 2025.08.24**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.Bg5 g6 | 3.Bxf6 exf6 | 4.e3 d5 | 5.Nf3 Bg7 |
| 6.c4 O-O | 7.Nc3 dxc4 | 8.Bxc4 c6 | 9.O-O Qe7 | 10.a3 Nd7 |
| 11.b4 Nb6 | 12.Bd3 f5 | 13.g3 Be6 | 14.Rb1 a5 | 15.Nd2 axb4 |
| 16.axb4 Ra3 | 17.Qc2 Rfa8 | 18.Rfc1 h5 | 19.Bf1 Nd5 | 20.Nxd5 Bxd5 |
| 21.Bc4 Bxc4 | 22.Nxc4 Ra2 | 23.Qd1 R8a4 | 24.b5 h4 | 25.bxc6 bxc6 |
| 26.Qf3 hxg3 | 27.hxg3 c5 | 28.dxc5 Qxc5 | 29.Nb6 Rc2 | 30.Rd1 Raa2 |
| 31.Rd8+ Kh7 | 32.Qh1+ Bh6 | 33. ... | | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1663 Solution :**

**9. Bd4** *The white bishop deflects Black's knight away from protecting the square f8.* **Nxd4**

*9...Qxd4 10.Nxd4*

*9...Qh5 10.Bxh8*

**10. Qf8+ Qe8 11.Qxe8#** *Back-rank mate*

**1-0**

ASIAN INTERNATIONAL UNIVERSITY
ESTABLISHED UNDER SECTION 2(F) OF UGC ACT, 1956.

ADVERTISEMENT FOR FACULTY POSITIONS – PHARMACY DEPARTMENT

Asian International University, invites applications from qualified and experienced candidates for the following faculty positions in the Faculty of Pharmacy

Position

- Ph.D. Faculty – Pharmacy (All Specialization)
- M.Pharm Faculty (All Specializations)
- B.Pharm Faculty (All Subjects)

Responsibilities

- M.Pharm / Ph.D. in the relevant specialization (as per PCI norms)
- Strong academic record
- Teaching, industry, or research experience preferred

Eligibility Criteria

- Conduct theory and practical classes
- Provide academic mentoring and Student guidance
- Participate in departmental activities, research, and administration

How to Apply

Interested candidates can send their CV to hr@aiu.edu.in


CONTACT

+91-9810301896 | +91-9821239333

www.aiu.edu.in | hr@aiu.edu.in

Ghari, Awang Leikai,Imphal West,Manipur - 795140

HL-B/9979/30



Title : Operation Sindoor
By : Aatiya Pukhrem
Class : II Roll No. : 18 Sec : B
School : LCM High School, Moirang



Title : Money
By : Areinu Maibam
Class : II Roll No. : 29 Sec : Jasmine
School : SL Arena of Learing



Title : House
By : Bm Rehah
Class : Pre-Nursary Roll No. : 24 Sec :
School : Tiny Treasure Adademy, Samurou



Title : Way to the Heaven
By : B.M. Saila
Class : II Roll No. : 4 Sec :
School : Tolchou Ibeton Memorial Academy



Title : Meitei Chanu
By : Henthoi Shagolshem
Class : III Roll No. : 17 Sec :
School : The Imphal English School



Title : Girls
By : Konthoujam Arty Devi
Class : III Roll No. : Sec : Neptune
School : Kinder Garten Montessori School



Title : A Happy Fish
By : Laishram Taibanganba
Class : IV Roll No. : 35 Sec. : D
School : St. Joseph's Hr. Sec. School



Title : Beach
By : Metali Pheiroijam
Class : VII Roll No. : 5 Sec. : Venus
School : Kindergarten Montessori School



Title : Pineapple
By : RK. Amy Changkhonbi
Class : KG 2 Roll No. : 19 Sec. : Pansy
School : Blooming Dale School



Title : Cherry Blossom Scenery
By : Sillory Nongmaithem
Class: B Roll No. : 10 Sec. :
School : Kendriya Vidayalaya No 1, Lamphelpat.



Title : Beach
By : Taorem Hansy Devi
Class : IX Roll No. : Sec. : Neptune
School : Kindergarten Montessori School



Title : ??
By : TM. Aahil Ibrahim
Class : III Roll No. : 63 Sec. Amethyst
School : Heritage Convent



Title : My Little Pony
By : Velencia Loktongbam
Class : III Roll No. : 4 Sec :
School : Kindergarten Montessori School



Title : Fruit
By : Yumnam Nungshihenba
Class : III Roll No. : 7 Sec. :
School : Kangleipak Modern School



Title : Drago
By : Poireinganba Thokchom
Class : Group II Roll No. : 13 Sec. : A
School : Blossom School, Moirangkhom



Title : Cat
By : Helleesana Hidangmayum
Class : I Roll No. : 4 Sec :
School : The Elangkeina High School




Title : Happy Diwali
By : Leishangthem Faryal
Class : IV Roll No. : 7 Sec : A
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya



Title : Thangal General
By : Ashifa Ahmed
Class : IV Roll No. : 29 Sec : B
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya, Pangei




Title : ?
By : L. Chingkheinganbi
Class : VI Roll No. : 4 Sec : A
School : RK Sanatombi Devi Vidyalaya, Pangei



Title : Lotus (Thambal)
By : Maibam Atiyanganbi
Class : Nursery Roll No. : Sec :
School : Petals Preschool, Nongmeibung

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়নননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com